# মণিপুরী ফিল্মবু য়োক্লবা হোৎনবদা মরেং ফন্না শেন্নজরক্লিবা লমদমসিগী তাঙলবা হী-য়াই তম্ফা-নি 'লমজা তোম্বা'

*- নানি*



মপুং ফাবরা উপাল অমগী ফজবা হায়বসি মউ চাউবদু নত্তে। মপুম ওইনা য়েংবদা উপাল অদুগী মশা মরেংনা শীন-থুংনা শন্দোক্লুনা ফংে দাকপা অমদি তইং-তইংলবা উনানা লেং-লেং চৎনা মালংগী তাম্বাদা মেন্না হাই হুমদুনা জগোয় শাবদুনি। উপালদুগী উখাদা ঙাইহাক পোথাবদা করম্বা থৱায় পানবশিংনা পুক্লিং অঙ্গবা ফংলোইদগে অমদি অনৌবা ৱাখলগী ময়োল চোংলোইদগে? মাঙদা লৈরিবা অহল-লমন কয়াশিং অদুগী হোৎনজবগী, কথোকচবগী মহৈ অদুনি ঙসিগী মীরোলনা হেক্কুনা নুংঙাইনা চারিবা। মতমদুগী অহল-লমনশিংদুদি থৱায় খুবাক্তা হাপ্পুনা কথোকখিবনি। মখোয়না থোল্লম্বা যুম্ফমনি ঙসিগী মণিপুরী ফিল্ম।

অশেংবা মীংদি কঙবম তোম্বা কৌই। ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায়দগীনি। খোইরি লিশাংদি পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাওনা মণিপুর য়ৌশিল্লক্কুনা বোম থাদরক্লবা অমদি সিফাই লাম্মী কয়ানা লৈরক খুল্লক্তা কোয়চৎ চৎলক্লবা মতমদা চেঙজেন য়োমদুনা থৱায় কন্নবা ইমুং-মনুং শুপ্পা অপোকপী ইমাগী মগাম ওইরিবা হিয়াংলম হায়রিবা মফমদুদা লাক্লেনবদা তাখিবনি। লাক্লেনবদা তাইবং ফাওরকখিবা শক্লাইরবা এক্টর কঙবম তোম্বা ঙসিদি মণিপুরী ফিল্মগী তাঙলবা হী য়াই তম্ফাগুম লৈহৌরে। মপুং ওইবা শিনফমদি মহৈরোয়শিংবু তাকপী তম্বীদুনা মহৈ য়ানবা মীশক অমা ওইনা হোৎনবা শিন্নাকপা অমনি। ঙসি রাষ্ট্রলিপি হায় স্কুলদগী থবক্তগী পোথোকখিবনি।

অঙাং ওইরিঙৈ, পুঙকক চাউরক্লবা, লৌশিং তারক্লবা মতম ফাওবদা আর্টস এন্দ কলচরগী লম অসোনমদা এক্টর অমা ওইরক্লনি হায়বসিদি মশামকসু অমুক্তা থাজখিদে, অদুগা খনবা ফাওফাও নোংমত্তা খনখিদে। অদুমক্তি ওইরগা, ওজা অসিগী অপোকপী ইমা অসি মতম অমগী ঈশৈ-জগোয় তৌরকপনি। অপোকপী ইমানা য়ুমদা নহাশিংদা ঈশৈ-জগোয় চেক হেক তম্বীবগুমদি পীক্লিঙৈদগী হৌনা য়েংলকই। অপোকপীগী ঈ খরদি ওজাদা চোংখিবগুমদি তৌখি, অদুনা মমৈদা মশানা পামজনা চঙশিল্লক্কুনা ঙসিদি মণিপুরগী ওজা অসিগী তাঙলবা ফিল্মগী এক্টর অমা ওইরক্লিবনি। তশেংনমক্তি ওজা অসি শান্নবরোমদা খরা হেন্না পামজরকখি হায়না তাকপীরকই। দ্রামা য়াওরকপা অসিদি, ১৯৬৩দা ইম্ফাল কোলেজদা তম্নরবা মতুংদা থোংবা এক্সিদেন্ট অমদগী য়াওরকখিবনি। নোংমা কোলেজগী কম্মন রুমদা কেরোন শান্নদুনা লৈরিঙৈদা, ওজা জি সি তোংব্রা অমদি মহৈরোয় খরগা লোয়ননা লাক্লগা ওজানা নখোয় কেরোনদু কদায়দনোমা শান্নরুরো, ঐখোয় সিদা মীটিং অমত্তা হায়গে হায়না হায়রকপদা, খঙনবা মমাম্না অমদা 'কৈদৌহুইনো' হায়না হংবদা দ্রামা শান্নগদৌরিনি হায়রকপদা, ফাগী ওইনা 'ঐসু য়াওনি' হায়না শোয়দনা হায়জিল্লুবনি। অদুদা ওজানা মথং মথং ময়ামদু দাইলোগ মতেক অমা হায়হন্দুনা য়েংলকপদা ওজা তোম্ববুসু খনগৎপীদুনা ষ্টুদেন্টস যুনিয়নগী ওইবা সোর্ট প্লে 'অনী থোক্লা চিংখাইরে থম্মোয়' হায়বা অদু শান্নরকখিবদা য়াওরকপনি। দ্রামাদুদা ঐ হনুবা অমা ওজানা শাহল্লি। অসুমাইনা কোলেজদা য়াওরকপদগী, সোসাইটি ঠিএটরগী *মনি মমৌ* হায়বা দ্রামাদা মথং মথং য়াওবা হৌরকখি। সোসাইটি ঠিএটরগী এক্টর অমা ওইনা দ্রামা কয়া অমদা হনুবগী রোল লৌদুনা য়াওরকপা হৌরকখিবা ওজা অসি ইহান হানবা ওইনা মণিপুরী ফিল্ম 'মতমগী মণিপুর' হায়বা অদুদগী ফিল্ম কুম্বা হৌরকখিবনি। মণিপুরী ফিল্ম অমা নমগদৌরি হায়বা পাউদি তারগা নোংমত্তা য়াওগে হায়না এপ্লিকেসন থাজিল্লুবা অমদি ইন্টরেষ্ট লৌরুবা লৈতে। মরমদি কৈসু খল্লক্লোই কান্নদবনি হায়না খনখি। নোংমা ইখঙ খঙহৌদনা, হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা মমিং লৈরবা শৈশকপা খুন জয়কুমারনা লাক্লগা, ফিল্ম য়াওনবা নঙগী ফোটো পীরকও, অদুগা হয়েং ইবানি করাম অমুমচা (মতমগী মণিপুরগী প্রদ্যুসর) গীদা চৎলুসি হায়না হায়রকপদগী চৎমিন্নরুই, মদুদা রোল মচা অমা পীদুনা য়াওবা হৌহল্লকখিবনি।

ইহান হানবা ওইনা ফিল্ম নম্বা হৌদ্রিঙৈ স্ক্রিন টেষ্ট তৌবগী মেক অপকা তৌরগা দাইলোগ মতেক অমা ঙাংদুনা টেষ্ট তৌবা মতমদুদা ৱা ঙাংবা থোকখিদে, কল্লাক থক থক নীক্তুনা পাখৎপা



অমা ফাওখি। মতৌদুদা মীরমদগী লাকপা কেমেরামেনদুনা খঙলদুনা 'তোম্বা, ইট ইজ নোট টাইগর, দুনোট বি এফ্রাইদ' হায়না হায়রকপদা জ্ঞান তারকখি হায়না ওজানা পাউ অমা তম্বীরমখি। অসুম্না মতমগী মণিপুর সূটিং লোইখ্রবা মতুংদগীদি মথং মথং মণিপুরী ফিল্মশিংদা য়াওবা হৌরকখি। 'লমজা পর্শুরাম' হায়বা ফিল্ম অসিনা ওজাগী অনীশুবা ফিল্ম ওইখি। ফিল্ম অসিদগীনি ওজাবু লমজা তোম্বা হায়না মমিং চৎখ্রিবা। ফিল্ম অসিদা মপা মশক খঙহৌদ্রবা, মীয়াম্না মাবু তাথিবীবা, নমহৎতুনা থম্বীরবা, অদুগা থম্মোয়দদি মহাকপু ফীভম অসিদা থম্বীরিবা মপাগী মথক্তা লমন খুম্নিংবগী ইথিল অমা য়োক্তুনা লাকখিবনি। ফিল্ম অদুগী লাষ্ট সিনদা ওজাসিনা পীখিবা পর্ফোর্মেন্স অদু অসুক্কী মতিক ফজখি, মদুমক্নসু *লমজা তোম্বা* হায়না মীয়াম্না মিঙ্গৌনরক্লবগী মরম ওইখিবরা হায়না খল্লি। মতম অদুদা ওজা অসি অসুক্কী মতিক পোপুলর ওইরকখি। মশা তনাপ তনাপ্পা, শম শাংতক তৌনা তরু তনানবা, খুৎ অনীনা নাপদগী ইনখৎতুনা অমুক্তং নানখিবদা শমগী পোজ পোপ লাউনা হেক তাখিবা, মশক মতৌ ফজবা হেরো অমনি হায়না শোন্নখি। মথংদা 'শাফবী' হায়বা ফিল্ম অসি অমুক পুথোরকখি। মসিদদি হান্না উরম্বা গ্লামোর হেরো অদুগী মশক্তগী খরা খেন্নবা উরকখি। মতমগী মশক মতৌ ফজবা হেরো অমনা ফোক প্লে অমগী হেরো অমগী শক্তম লাঙদুনা ফিল্মগী সিলভর স্ক্রীনদা থোরকখিবদু লমজা তোম্বনি হায়না খনবা ঙমহনখিদে। মসিমক এক্টর অমগী অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইখি। তশেংনা লমজা তোম্বা মায় পাকপগী লম্বীদা খোঙকাপ লাউনা থাংজিল্লকখি। ফিল্ম অদুগী কেরেক্টর অদু শানবা হোৎনবা মতমদা মতমদুগী মমিং লৈরবা ওজাশিং, মরুওইনা লৈখিদ্রবা ওজা নিংথৌজম তোম্বীনচিংবা ওজা কয়াদগী তমজখিবা কয়া অদুনা মায় পাকপগী যুম্ফম থোনখিবনি। হোৎনরমদ্রবদি থোইদোক্লা শোন্নরমগনি হায়বা থাজখিদে। মতমদুদা ওজাগুম্বা কয়ানা কথোকপগা লোয়ননা মতম মাঙনা শেল সিকি অমা ফংদনা মণিপুরী ফিল্মতবু হিংলবদি হায়না হোৎনরকখিবা কয়া অদু ঙসিগী মীরোল অসিনা খুৎ থেক্তুনা পাহন্নিংই। মখোয়গী পুক্লিং ৱাখলদা ফাওখিবা শীংনবা কয়া অদুনা ঙসিগী মণিপুরী ফিল্মগী ফীভম অসি য়ৌরকপদা অচৌবা মতেং অমা ওইনখি হায়বসিদা থোইনা লান্নিংঙাই ওইদে।

ওজা লমজা তোম্বগী থোইদোক্লা শীংথানিংঙাই ওইবা ফিল্ম কয়া অমসু মথং মথং লেপ্তুনা পুথোরকখি। মদুগী মনুংদা *পাউখুম অমা, ওল্লাংথাগী ৱাংমদসু, ইশানৌ, থম্বাল, মৈরি* নচিংবা কয়া। মসিগী মনুংদা থোইদোক্লা মালেমগী মীপুম খূদিংনা মীতান্নখিবা অমদি মালেমগী থাক্তা মনা কয়া ফংলকখিবা ফিল্ম অমা হায়বা তারবদি *ইশানৌ* হায়রিবা ফিল্ম অসিনি। *ইশানৌ* হায়রিবা ফিল্ম অসিদদি ওজা তোম্বগী রোল অসি মমাঙদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা থম্মোয়নুংদা মকা লামদনা ওমদুনা থম্বা, চৎনবী, মীনুংশি অমদি অতৈ শীংনবা কয়া অদুগী তাশিন খোমজিনবা কয়া অদু ওজাগী এক্টিং কেমিষ্ট্রিদা ময়েক লানা উবা ফংলকখি। ফিল্ম অসিমসু ওজাগীদি য়াম্না ফজবা অমা ওইখি। ইশানৌ শাখিবী কিরনমালাগা য়াম্না নেচর ওইবা অমদি চঙখোনবা কয়া অদুগা ওজাগী থৌদাং কয়াশিং অদুগা অমত্তা ওইখিবনা ফিল্মসিগী থোইদোকপা মতিক ময়াই অমা হাপ্পদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি হায়বা অসি থমজ নিংই। ওজা তোম্বা, মণিপুরী সেল্লুলোইদ ফিল্মগী ইরা অমা লোইখ্রবসু, টেক্নোলোজিগী য়াওল তুংইন্না লাক্লিবা দিজিটেল ফিল্মশিংদসু অদুম্মক শরুক য়াবীরকখি। ওজাগী অসিগুম্বা তোরারিংবা অমদি মণিপুরী ফিল্মবু য়োকখৎচনিংবগী ফজখ্রবা ৱাখল্লোন অসিনা নৌনা হৌরক্লিবা নহা কয়াদসু অনৌবা থৌনা কয়া হাপ্পীরিবনি। মশাগী চহী য়ামজরবসু ৱাখলদি মহৌশা মণিপুরী ফিল্মতবু হিংলবদি, মণিপুরী ফিল্মনা মালেমদা মফম অমা কনবা ঙল্লবদি হায়না চোকথদনা হোৎনজরকখিবা কয়া অদুগী ময়েংদি ঙসিসু তাদ্রি। হৌরক্লিবা নহাশিংদা পীবা অহল পাউজেল অমা ওইনা অসুম্না ফোঙদোরক্লি, *'ফিল্ম হায়বা অসি তরাইনা লৌবা য়াদবা, য়াম্না সেরিয়স ওইবা আর্ট ফোর্ম অমনি। ফিল্ম হায়বা অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা দিপার্টমেন্ট খূদিংমক্তা খুৎ থাবীরিবা ইচিল ইনাওশিংনা, হেন্না হেন্না মাঙদা চঙশিন্দুনা, মতমসিগা চুনবা মহৈ কয়া তানশিনবা লেপহন্নিংদে। মদুতদা ফনা য়াম্না অহোংবা লাক্লবসু থেংনবা ঙমগনি, লোয়ননা মায় পাকপা ওইগনি'*। ওজাগী য়াম্না নীংথিজরবা পাউতাক্লা থল্লবা ৱাফম কয়া অসি মীরোল অসিনা চেকশিন্না লৌশিনফম থোক্লি। মতম শাংনা পুন্সিদুনা হেন্না হেন্না মাঙদা চঙশিনবা ঙল্লকপা ওইসনু হায়বা ৱাফমসি থমজরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৪।০৬।২০২৩ ইং, নোংমাইজিং;
অয়ুক পুং ৯.১২ ফাওবা ইঙাগী থানিলনি, মতুং ১৬ নি পানল্লনি।

**মেষ:** লৌশিং য়াম্না লৈ অদুবু মতাং চানা ফুদোকপদি ঙমদে। ৱা ঙাংথোক্কনু, ইমুং-মনুংগী ৱা হিক্তোক্কনু, অফা-অপুন্নবা কোক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী-** মীৱা থাজগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস

**বৃষ:** অতোনবা কাঙবু অমদি মরুপ-মপাংগা ৱাখল মান্নদবদি লৈরি-চুমদ্রিং চৎকনি। মীয়ামগা থাজনবা হেনগনি, ওইজ-ওইথক ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী-** নুংশিবনা চাল্লি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাঙবা

**মিথুন:** ঙসিসু অশাউবা অমদি ফিংবনা নঙগী য়েক্লবনি। ৱাখল থাদরগা অফবা থবক পাঙবদি শোয়দনা মায় পাক্কনি, শেন্দোং ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী-** নীংজবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাঙবা

**কর্কট:** লৌশিং চাউরসু ফৎতবা থবক তৌনিংগনি- হন্থবা লোয়নগনু, তন্থগনু, লৌশিং শীজিন্নৌ মায় পাক্কনি, অফা-অপুন কোকচগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী-** মরী ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**সিংহ:** হান্নগুম পাউ নুংঙাইতবা খরা তারবসু অয়াম্বা থবক থৌরমদা মায় পাক্কনি। নোল্লুক্লদি চৎলু-লন-থুম ময়েং তাবা লৈরোই।
**লৈশা পাখংশিংগী-** নীংবা মপা চাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাঙবা

**কন্য:** থৌনা লৈ হায়দুনসু অনম তানবদি মাঙগনি। কিবদি কিগনু, ইমুং-মনুংগী ৱা তাও, অফবা থবক্তা লন থাদবা মতাং চাগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী-** নীংবা মপা চাদে।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাঙবা

**তুলা:** হরাওবা মীচঙ হেনগৎপা, লাই-গুরুনা চানবীবা অরং-অরাক ফংবগুম লৈ, লাংতক্লবদি ফাথৌ, হকচাংদি নুংঙাইগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী-** নীংজবা মপা চাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাঙবা

**বৃশ্চিক:** হরাওবা নুংঙাইজবা, লাই-গুরুনা চানবীবা, মীয়ামগা মরী য়াম্না ফগৎপা নুমীৎনি, কান্নবসু ফংগনি। অদুবু পঙশিনবা অমদি লোয়নৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী-** নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**ধনু:** মীয়ামগা ৱাখল মান্নবা চৎলু, নথক থোংবনসু চানবীগনি, মীনা লাকচবা ঙম্লোই। অহেনবা লৌশিংদি ফুদোকপা ৱাগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী-** নুংশিবনা চাল্লি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**মকর:** নাইতোম খুদক্কী ৱারেপ লৌবদি অমাঙবা ওইগনি। মীয়ামগা ৱাখল মান্নবা, অনীংবা পাঙবা ঙম্বা, লন চঙবগী নুংঙাইবদি লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী-** নুংশিবনা চাল্লি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাঙবা

**কুম্ভ:** থবক লায়না পাঙগনি- চিংনগনু। ঙাঙবা শকপা, পোরম শীনবা, থৌনা ফুদোকপা মতাং চাগনি। তৌরুবা থবক খূদিং পকচগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী-** নীংজবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাঙবা

**মীন:** পোরম শীনবা অমদি হোয়া ফবদি চেকশিন্দ্রদি মাঙনিংঙাইনি। লৌশিংদি য়াম্না চাউই- অদুনা অচুম্বনা মাঙওইনরদি মায়থীবা লৈরোই।
**লৈশা পাখংশিংগী-** লাঙতক্লগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# হোম মিনিষ্টরগী ৱাফম থওইদবা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা সেন্টর অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পৱার শীজিন্নদুনা এক্সন লৌখৎপীয়ু : মহেশ্বর

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সাহগী ৱাফমবু থওইদনা মখা তানা লান্দারক্লিবা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা সেন্টর অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পৱার শীজিন্নদুনা এক্সন লৌখৎপীয়ু। লোয়ননা এম এল এশিংসু অমত্তা ওইনা পুনশিনবিদুনা পুন্না থবক তৌবিয়ু হায়না আর পি আই (অথৱালে)গী নেসনল সেক্রেটরি মহেশ্বর থৌনাওজমনা ফোঙদোকখ্রে।

কৈশামপাৎতা লৈবা মহাক্কী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ইন্দিয়াগী যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সাহনা লাক্তুনা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিবু য়াম্না কুপ্না য়েংশিনবিরম্বগীদমক্তদি ঐখোয় পুন্নমক্না থাগৎচরি। অদুবু নেসনল মীদিয়াদা সীক্যুরিটি ফোর্সকী লুচিংবা মীওই খরনা কাংলুপ অনীগী মরক্তা থোকপা ইরাংনি হায়না ফোঙদোরকপা ৱাফম অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। থোক্লিবা ইরাং



অসি কুকি মিলিটেন্টশিংনা পুন্না লান্দারকপনি হায়বা অসিমদি পুন্নমক্না খঙলবা ৱাফমনি। অদুবু মখোয়না ফোঙদোরকপা মতমদদি কুকি মিলিটেন্টশিংগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা পল্লক্তে। যুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা মণিপুরদা লাক্লম্লগা সুদা লৈরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মখোয়গী দেজিগনেটেদ কেম্পদা লৈত্রবদি অকনবা এক্সন লৌখৎলগনি হায়রম্লবা ফাওবদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা ঙরাং অমসুং ঙসিসু লেপ্পা লৈতনা অদুমক মণিপুরগী চিংখোঙ-চিংয়াদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা খুঙ্গংশিংদা নোংমৈ কাপথরক্তুনা অমদি যূম মৈ থাদুনা লান্দাবগী থবক লেপ্পা লৈত্রি। মসিনা তাকপদি হোম মিনিষ্টরনা হায়রম্বা ৱাফম ফাওবা থওইদনা লান্দাবগী থবক চৎথরক্লিবা অসিদা কনানা এক্সন লৌগদৌরিবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লি।

মপান্দগী চঙলকপা কুকি মিলিটেন্ট অমদি লমদম অসিগী কুকি মিলিটেন্টশিংগা পুন্না চৎথরক্লিবা লান্দাবগী থবক অসি প্রি প্লাননি হায়বসি পুন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মদুগী চপচাবা খুদমসু ঙরাং সুগ্নুদা ফংখিবা দাইরি অমদা য়াওরিবা লান্দাবগী প্লানশিং য়াওবা অমদি দ্যুটি তৌনবগী রোটেসন অমদি তোঙান-তোঙানবা লান্দাবদা চঙগদবা খুৎশু-খুৎলাইশিং পীথোক-পীশিনগী লোয়ননা কুকি মিলিটেন্টশিংনা কুকি মিচম ফাওবদা ৱার অসিদা য়াওদ্রবদি লুপা অসুক ফাওবা ফাইন তৌগনি হায়বনচিংবগী রেকোর্দ য়াওরি। মসিনা তাকপদি শুপ্পগী মৈতৈশিং খক নত্তনা চমজরবা কুকি মীচম মীয়াম ফাওবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা অৱাবা কয়া পীরে হায়বসি ময়েক শেংনা খঙলে। লোয়ননা মীচম মীয়ামদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীচম মীয়ামদা থ্রেট পীরে হায়বসি য়াম্না চুল্লবা ৱাফমনি।

চীফ মিনিষ্টরনা চৎথরম্বা য়াম্না ফজবা ৱার ওন দ্রগসপুসু নেসনল মীদিয়াদা লান্না উহন্নবা শীল্লে। ইরাং অসিবু নাথৈনবা হোৎনবা মানবা মওংদা মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগী মতাংদা হায়কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অদুগী মতুংইন্না থোক্লকপনি হায়বা ৱাফম হন্না হায়রম্বা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। লোয়ননা মৈতৈ মীয়ামগী ওইনদি ৱাফম অসি সেন্টিমেন্ট শোকপা ৱাফমনি। হোম মিনিষ্টরনা হেলিকোপ্টরগী সর্ভিস লৈহল্লগনি হায়রিবা অসি য়াম্না ফবা ৱাফমনি। অদুবু সর্ভিস অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ওইনা পাঙথোকহন্নিংই। থৌওং অসিদি সিপরেট এদমিষ্ট্রেসন মানবা মওংদা থবক তৌহনবা পামদে। মপান লমদগী পোৎচৈ পুশিল্লকপগী থবক অসি পাঙথোকপগী মহুৎতা মতম খরগী ওইনা রেলৱে ষ্টেসন শাগনি হায়বা ৱাফম অসিসু মওং অমা ইতা তাদে। থৌওং অসিদি কুকি মিলিটেন্টশিংবু লাকশিনবা ঙমদ্রবরা হায়বসিনি। এম এল এ ১০না সিপরেট এদমিনেষ্ট্রেসন তানবগা লোয়ননা মখোয়না সেন্টরগী মীওই কয়া উনরিবা অসিগুম্না তম্পাক লমগী এম এল এশিংনসু পুনশিন্দুনা লমদম অসিদা থোক্লিবা অশেংবা থৌদোক ৱাথোক অসিগী মতাংদা ময়েক শেংনা খঙহনবিনবা হোৎনবিয়ু। মরমদি লমদম অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি মপান লমগী মীওইশিংনা লান্না উবগুম তৌরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# লুচিংবগী থৌনা উৎথোকপীরকউ মাঙ থাজগে : মেমচৌবী

**ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) :** লুচিংবা অমা ওইবগী থৌনা উৎথোকপীদুনা থবক তৌবীরকউ। ঐখোয়না মাঙ থাদুনা লাম্থেংনজগে হায়না পি এল এ এম পি এ এলগী প্রসিদেন্ট ইমা মেমচৌবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি কম্মিটি ওন প্রজেন্ট ইস্যু ওফ মণিপুর হায়বা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লূপ ১৩না পুল্লগা শেম্বা কম্মিটি অসিনা লম্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা সেন্ট্রল হায় স্কুল চলৌদা রিলিফ কেম্প হাংদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা রিলিফ মেটরিএলশিং খুৎশিন্নবগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা ইমা মেমচৌবীনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিদা মীচম মীয়াম খম থেংনা ৱানরবসু লৈঙাক্লা অদুম্মক তুমীন্না পাঙথোকফম থোকপা মথৌ অমত্তা পাঙথোক্তনা তুমীন্না লৈশিন্দুনা লৈবা অসি অঙকপা ফাওই। কুকি মিলিটেন্টশিং অসি মণিপুরদগী তকথোকখিবা লোয়ননা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনসু মখোয়গা তৌনরিবা সূ লৌথোক্তুনা সূগী ৱাংমদা মীচম মীয়ামদা লান্দারক্লিবা অসিগীদমক অকনবা এক্সন লৌখৎফম থোকই। ইরমদম মণিপুরগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা ঐখোয় মীপুম খূদিংমক অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা থেংনমিন্নবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা কম্মিটি ওন প্রজেন্ট ইস্যু ওফ মণিপুরগী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

# থৌদাং লৌমিন্নবগীদমক শেমখিবা লূপতা মেম্বরশিং হাপখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) :** মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং অমদি মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম ঙাক্লবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নবগীদমক শেমখিবা ক্বাকৈথেল অপূনবা মৈরা পায়বী লূপতা অনৌবা মেম্বর হাপচিনখ্রে হায়না লূপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি আর কে বিনিতাগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এ সী মরিদা হায়বদি নাওরিয়া পাখংলাকপা, কৈশামথোং, সগোলবন্দ অমদি পাৎশোইগী এরিয়াদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ক্বাকৈথেল লৈকায়শিংগী মৈরা পায়বী অমদি অতৈ নুপী লূপশিংনা মীফম পাঙথোক্তুনা ক্বাকৈথেল অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ কৌবা লূপ অসি শেমখ্রবা মতুংদা ঙসি ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা লৈবা অমুকোগী ওফিসতা মীফম অমসু পাঙথোক্তুনা অনৌবা মীওইশিং অদু হাপচিনখিবনি। অপূনবা লূপ অসিগী থৌপুনবগীদমক খনখ্রবা মীওইশিং অদুদি প্রসিদেন্টতা সৌবাম সোবিতা, ভাইস প্রসিদেন্টতা নামৈরাকপম উত্তমচান্দ, বাচস্পটিময়ুম সন্তানি অমদি থিংবাইজম সুশিলানি, জেনরেল সেক্রেটরিদা মোইরাংথেম অশারানি, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরিদা থোকচোম হরিপ্রিয়া, থোকচোম বিদ্যাপতি অমদি আর কে অনিতানি। ওর্গানাইজেসন সেক্রেটরিদা লাইশ্রম মংলেম্বী, এসিষ্টেন্ট ওর্গানাইজেসন সেক্রেটরিদা সোইবম রিতা, থোকচোম অঞ্জিতা অমদি থৌদাম বিদ্যালক্ষ্মীনচিংবনি হায়রি।

# *পু-ৱা: দ গোল্ডন বিবিলোন*গী য়াইফ থৌনি পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) :** মণিপুর কলচরগী অরিবা লাইরিক অমা ওইরিবা পুয়াদা যুম্ফম ওইবা মরুওইবা মণিপুরী হিষ্ট্রি মশক তাক্কদবা *পু-ৱা: দ গ্লোল্ডন বিবিলোন* হায়বা ফিল্মগী য়াইফ থৌনি থৌরম তাওথোং অফৈবদা পাঙথোকখ্রে হায়না পাখংবা ফিল্মস এন্দ ইন্টরটেনমেন্টকী প্রদক্সন হেদ জয়চান্দ মোইরাংথেমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ফিল্ম অসিদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা মমিরোয়শিং অদুদি রসিয়ন এক্টর ওলি দ্যুজহার্দেন, রসিয়াগী এক্টর মারিয়া গুরিজিনটেবা, সাউথ অফ্রিকাগী এক্টর এরিয়েল কম্বালে, থাইগী এক্টর মনিসিদা হাথকিজ অমদি মণিপুরগী শক্লাইরবা এক্টর কাইকু অমসুং ইধৌনচিংবসু শরুক য়াখি। ফিল্ম অসিগী দিরেক্টরনা জয়চান্দ মোইরাংথেমনি। *পু-ৱা: দ গ্লোডন বিবিলোন* হায়রিবা ফিল্ম অসিদা থায়নাগী ইপা-ইপুশিংনা ইদুনা থম্বীরম্লবা শেংলবা পুয়াগী মতাংদা মালেম শীনবা থুংনা খঙহন্নবগী পান্দমদা পুথোকপা ফিল্মনি। ফিল্ম অসি আর দি গ্রুপ অমসুং পাখংবা ফিল্মস এন্দ ইন্টরটেনমেন্টনা মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা কলচরেল হেরিটেজগীদমক কথোকচবা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসিগী স্ক্রিনপ্লেনা খোর্জেলাংনি। অদুগা ষ্টোরিনা পোইরৈঙানবী চনু, ডা. অতোম সুনিল অমদি জয়চান্দ মোইরাংথেমনি। ফিল্ম অসিদা চীফ কন্সল্টেন্টকী থৌদাংনা থোকচোম থোইবা অমদি চুংখাম সুনিলকুমারনা য়ারি। থাঙ-তাগী এক্সপার্ট অমা ওইনা সঞ্জয় চিঙ্গাংবমসু শরুক য়ারি।

# অপূনবগী শক্তম কায়দনবগীদমক থৌদাং লৌমিন্নসি : কম্মিটি

**ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) :** পুৱারীনা শাক্ষি ওইদুনা পাঙল ইপা-ইপু, ইমা-ইবেল কয়ানা থেঙ্খাং কয়াদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম অমদি ঙমখৈ ঙাক্লবা হোৎনরকপগী থৌদাংশিং অদু ঐখোয়গী থম্মোয়দা চেৎনা থাগোন্নজবগা লোয়ননা মমল য়াল্লবা ইরৈপাক অসিদা ঈং-তপ্পা লাক্লবা অমসুং অপূনবগী শক্তম কায়হন্দনবা হোৎনবগী থৌদাং অদু লৌমিন্নসি হায়না পাঙল কম্মিটি ওফ গুদৱিল মিসন ফোর পিছ ইন মণিপুরগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা মে ৩দগী থোক্লকখিবা ঈরাংনা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ঐখোয়না থাংলিবা খোঙথাং, ঙাংলিবা ৱাহৈশিং অসিনা ঈরাং অসি মায়কৈ অমদা হেক্তা মীকুপ অমদা পুখিবগী ওইথোকপা লৈবনা ঐখোয়গী খ্বাইদগী চেকশিন্নিংঙাই ওইবা তাঞ্জা অমখক ওইরক্লি। কনাগুম্বা অমগী অরানবা অশোয়বা খোঙথাং নৎত্রগা চমম্লবা ৱাহৈ অমনা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা অমনা অমবু লান্না লৌনবা অমদি ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং থোক্লকপগা লোয়ননা মৈরিকপী অমদগী লোইনাইদবা লাম্মৈ অমা ওইনা তুম্না চাকমিন্নবগী ওইথোকপা য়ানা লৈরিবা নীক-নীক লাউনা লৈরিবা ফীভম অসিদা ঐখোয় য়াম্না চেকশিন্না থবক তৌবা চঙই। লোয়ননা অৱা-অনা তারবা মীয়ামদা পুন্না মতেং পাংমিন্নবগা লোয়ননা নুংশি-চান্নবগী ৱাখল্লোন শন্দোকমিন্নসি হায়রি।

# হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৬৬কী ৱিন্নর ওইখ্রবা অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমনা 'সূ' হন্দোক্ত্রিমখৈ মণিপুরদা ঈং-তপ্পা, তংদু লৈতাবা পুরকপা ঙম্লোই ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : পাউচে অসিনা লেপ্পা লৈতনা চৎথরক্লিবা হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজগী ৬৬শুবা তাঙ্কক্কী ৱিন্নর তাওথোং অয়ুংবা ময়াই লৈকায়, লমশাংদা লৈবা অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমনা ওইখ্রে।



লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৬৬কী ৱিন্নর ওইখ্রবা অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবদা, হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা থা অমা ফারক্লবা মীশি-মীনাগী থৌদোকশিং অসি ইচম চম্বা কাঙলুপকী ঈরাং নৎত্রে হায়বসি পুন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। কুকি ফুরুপনা মৈতৈশিংগী মথক্তা অতম্নরা চৎথরকপা এগ্রেসন/ইনভেসন অমনি। মসি খঙনা খঙনা ষ্টেট অমদি যুনিয়ন লৈঙাক্না করিমত্তা তৌবা ঙমদনা য়েংদুনা লৈরিবা করিগীনো হায়বসিনি অঙকপা অমা ওইরিবসি। য়াম্না থুনা ষ্টেট অমদি যুনিয়ন লৈঙাক্না 'সূ' হন্দোক্ত্রিবমখৈ মণিপুরদা ঈং-তপ্পা, তংদু লৈতাবা পুরকপা ঙম্লোই। ফোরেন ইম্মিগ্রেন্টশিং য়াওনা কুকি মিলিটেন্টশিং তকথোক্ত্রিমখৈ লান অসি লোইবা নাইদনা লৈরগনি। লমদম অসি কাং-খোং চাইবা ফীভম অমদা লাক্লগনি। য়াম্না লুরিবা ঐখোয় খূদিংমক্না চেকশিনগদবা ৱাফম অমনা যুনিয়ন লৈঙাক্না কুকি মিলিটেন্টশিংগা 'সূ' তৌনদুনা মখোয়গা লৈনরিবা অরোনবা মরী অসিনি। হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিদা অসাম রাইফলস/পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংনা ফোংনা কুকি মিলিটেন্টশিংবু শৌগৎতুনা মখোয়না চথরক্লিবা টেররিজমগী থবক থৌওংশিংবু খঙশিন উশিন্নদনা তুমীন্না য়েংদুনা লৈরি।

কুকি মিলিটেন্টশিংবু তকথোক্লবা হোৎনবগী মহুৎতা য়াম্না চাউনা ভিক্টিম ওইরিবা মৈতৈশিংদা কিহন-খঙহনবা, মশা ঙাকথোকচনবা পীরিবা লাইসেন্স গনশিং ফাওবা মুন্নবা হোৎনরি। কুকিশিংবুনা মনিং তম্না যুম-কৈ মৈ থাহল্লি, নোংমৈ কাপহল্লি। মৈতৈশিংদি নমাংসু নোংমৈ নতুংসু নোংমৈ হায়বদু তারে। ঙাকপী শেনবীনবা লৈত্রবা শোল্লবা মৈতৈ ফুরুপ অমা ওইবরা খল্লক্লে। ঐখোয়গী লৈঙাক্লোয়শিং অমদি সী এস ওশিংনা ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর, অসাম রাইফলস/পেরা মিলিটরি ফোর্সকী মকোক থোংবশিংদা ৱাফম অসি পুখৎতুনা থৌনা ফনা ৱাফংনবা ঙমদ্রিবা করিগীনো হায়বসি ৱাহং অমা ওইরি। মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি কায়বা য়ারোই/কায়হনবীগনু হায়বতনা য়ারোই। থা অমা চুপ্পা ইন্টর্নেট সর্ভিস/মোবাইল দেটা সর্ভিস থিংজিনবা, কর্ফিয়ু থল্লগা লৈঙাক চলাইবা পাঙদবা মরিল য়াওদবগী ৱানি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ঐখোয়গী লৈরিবা লৈঙাক্লোয়শিংনা করি খোঙথাং লৌখৎপীরিবগে হায়বা ঙমদে। ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ মণিপুরদা লাক্লম্লবসু মহাক্না করি করি থৌরাং পায়খৎকদৌরিবা ঐখোয় খূদিংমক্কী ৱাখলদা লাম্বা ফংদে। হৌজিকসু কুকি মিলিটেন্টশিং মখোয়গী দেজিগনেটেদ কেম্পশিংদা হঞ্জিনদ্রি অমদি মখা তানা নোংমৈ কাপ্পা লেপত্রি, ঈরাং থোকহল্লি, মীশি-মীনা য়াওরি। খ্বাইদগী ঙক্লিবদি ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্ট্রিনা হৌজিক ওইরিবা ঈরাং অসিগী গ্রাউন্দ রিএলিটি খঙলবসু খঙশিন্নদনা মৈতৈশিংগী এস টি দিমান্দগা মরী লৈননা হায় কোর্টনা পীখিবা ভর্দিক্ট অদুবুতা হঞ্জিন হঞ্জিন পল্লগা ঙাংলকপদা ঐখোয়গী লৈঙাক্লোয়শিং অমদি সী এস ও লুচিংবশিংনা কাউন্টর তৌদুনা ৱারী শানখি হায়বগী পাউ অমত্তা তাবা ফংদ্রি।

সূগী খুদোংচাবা লৌরগা চহী খরা অসিদা ফোরেন ইম্মিগ্রেন্টশিং য়াওনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা তম্পাক্কী অকোয়বদা লৈরিবা চীংশিংদা মখোয়গী কেম্পশিং হাংদোক্তুনা খুৎলায় মতিক চানা পায়দুনা অঙকপা মওংদা নীংথিজনা ইষ্টাব্লিস তৌদুনা লৈরম্লে হায়বসি পুন্নমক্না খঙনরবনি। চহী কয়া মখোয়না পোপ্পী থাবা অমদি দ্রগ লল্লোনবগী থবক চথুদুনা য়াল্লবা শেনফম কয়া খোমগৎখ্রবনি। মদুমক্তনা মখোয়না পৱার পায়খৎলক্লিবনি। মখোয়গী মীচঙ ময়াম অমা থোরক্লিবনি। নৈনবদা শাংলবা ৱারী অমা ওইরগনি। মসি পুন্নমক থেংলবসু থেংনা পাল্লিবা মণিপুর লৈঙাক্না থৌনা ফনা হৈ-শিংনা থেংনহৌদ্রবদি মৈতৈশিংগী তুংগী লাইবক তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লাক্লগনি। মৈতৈ ফুরুপ মাঙখিদনবা অমদি তুংগী মীরোলগীদমক লৈঙাক্লোয়শিং, সী এস ওশিং, মীচম-মীয়ামশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা খোঙফম চেংনা লেপমিন্নরগা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্নমিন্নবা মতম ওইরে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।